

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, SEPTEMBER 06, 2018 PAGE 7




*ইন্দিয়ান পেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকি মরুওইবা ক্লব রোয়েল চেলেঞ্জরসতা নৌনা কোচ ওইখ্রবা হান্ন ইন্দিয়াগী বোল্লর অসিস নেহরা*

*য়ু এস এগী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্লগা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকি সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী লাটভিয়াগী জেলেনা অনাষ্টেসিজা সেভাষ্টোভা*

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা এসিয়ান গেমসতা মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



*১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা মেডল ফংলকখ্রবা এঠলিটশিংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ৱা ঙাংবা*

*চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৫ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা মেডল ফংলকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী এঠলিটশিং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা উন্নদুনা শান্নরোইশিংনা গেমস অসিদা উৎখিবা শিংথানিঙাই ওইবা পর্ফোমেন্সকিদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নরোইশিংগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগা হকথেংননা উন্নবা অদুদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভরধন সিংহ রাথোরসু শরুক য়াখি।

মেদল পুরকখ্রবা শান্নরোইশিং হকথেংননা উন্নদ্রিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকি ইদিসনদা শিংথানিঙাই ওইবা পর্ফোমেন্স পীখিবগীদমক ইন্দিয়াগী কন্টিজেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ট্যুট্টরগী খুথাংদা নরেন্দ্র মোডিনা সুট্টিংদা ইন্দিয়ানা শিংথানিঙাই ওইবা মিংচৎ পুরক্লি। হৈথোই শিংথোইরবা সুট্টর সারদুল ভিহাননা দবল ট্রেপ ইভেন্টতা সিলভর ফংলে। মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা সারদুলনা শিংথানিঙাই ওইনা মায় পাক্লে অমসুং মহাক্না লাক্কদৌরিবা চহিশিংদসু হেন্না-হেন্না ফগৎলকখিনি হায়বগী থাজবা লৈ। অমরোমদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবী টেন্নিস শান্নরোই অনকিতা রাইনাবু পুক্নিং থৌগৎতুনা ইন্দিয়াগী অফবা টেন্নিস শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোক্লি।

মেদল ফংলখ্রবা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংদা হান্ননা গভর্নমেন্টনা শেলগী মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপা লৈখ্রবনি। এসিয়ান গেমস অদুদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোইখুদিংমক্তা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৪০, সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোইশিংদনা লুপা লাখ ২০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপশিংদনা লুপা লাখ ১০ পীখিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ১৫, সিলভর মেদল২৪ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩০ পুন্না মেদল ৬৯ হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ান গেমসতা ফংবা ঙমখিবনি। চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০১০দা পাঙথোকখিবা গুৱাংজৌ এসিয়ান গেমসতদি ইন্দিয়না গোল্ড মেদল ১৪, সিলভর মেদল ১৭ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩৪ পুন্না মেদল ৬৫ লৌবা ঙমখিবনি। এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী ১৯শুবা ইদিসন চাইনাগী সিটি হাঙঝৌদা ইং ২০২২গী সেপটেম্বর ১০দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্নবা লেপ্পখ্রবনি।

## আইএসএসএফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মিক্স টিম জুনিয়র মিক্স এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী দিভিয়ান্স অমসুং শ্রেয়ানা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে





*মিটর ১০গী মিক্স টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী দিভিয়ান্স অমসুং শ্রেয়া (য়েৎ)*

*চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৫ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা ৫২শুবা ইন্টরনেস্নেল সুট্টিং স্পোর্টর্স ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ ২০১৮গী মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম জুনিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

সুট্টর দিভিয়ান্স সিংহ অমসুং সুট্টর শ্রেয়া অগরৱালগী টিমনা মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম জুনিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ব্রোঞ্জ মেদল অদু ফংখিবনি।

দিভয়ান্স অমসুং শ্রেয়া টিমনা অপুনবা স্কোর ৪৩৫ ফংদুনা অহুমশুবা তাহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল অদু লৌহৌবনি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেদলনা ইটালিগী পেয়র সোফিয়া বেনেট্টি অমসুং মারকো সুপ্পিনিনা পোইন্ট ৪৯৯ দা ফংখি। সিলভর মেদলনা ইরানগী পেয়র সাদেঘেয়েন অরমিনা অমসুং মোহম্মদ অমির নেকৌনামনা ফংখি।

ইভেন্ট অসিমক্তদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র ইলাভেনিল ভালারিভান অমসুং হিরীদা হাজারিকানা অপুনবা স্কোর ৫২৯.৫ ফংবদগী ১৩শুবা মফমদা লৈহৌখি।

আই এস এস এফ চেম্পিয়নসিপ অসিগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা নুমিৎ মরিনি চনবা ফাওবদা গোল্ড মেদল অহুম, সিলভর অহুম অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অহুম ফংবা ঙমলে।

চেম্পিয়নসিপ অসি জপানগী সিটি টোকিয়োদা ইং ২০২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকি অহানবা ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা দেনমার্ককি সুট্টর ষ্টেফেন ওলসেননা পোইন্ট ৬২৮.২ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। সিলভর মেদলনা নোরৱেগী সুট্টর ইষ্টিয়ান বোগরনা পোইন্ট ৬২৭.৮ তা ফংখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা ওষ্টিয়াগী সুট্টর থোমাস মাথিসনা পোইন্ট ৬২৭.১ ফংলগা লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর চেন সিংহনা পোইন্ট ৬২৩.৯ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসন তাহৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর শঞ্জিভ রাজপুটসু পোইন্ট ৬২০ ফংদুনা ৪৬ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

৫২শুবা ৱার্ল্ড সুট্টিং চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোনদা গ্রেট বৃটেনগী সুট্টর সিওনেদ এমসিনটোসনা পোইন্ট ৬২৩.৯ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। সিলভর মেদলনা জর্মনিগী সুট্টর ইসাবেলা ষ্টাউবনা পোইন্ট ৬২৩.৭দা লৌখি।

অদুগা ব্রোঞ্জ মেদলনা স্লোভাবকিয়াগী সুট্টর দানিয়েললা দেমজেন পেসকোভানা পোইন্ট ৬২৩.৩দা ফংখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর টেজাস্বিন সাৱান্ট, অনজুম মেদগিল অমসুং শ্রীয়া সকসেনা মথংশিংনা ২৮, ৩৩ অমসুং ৫৪শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা টর্কিগী সুট্টর সেবাল ইলেদা তারহাননা পোইন্ট ২৩৭.৯ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। সিলভর মেদলনা কোরিয়াগী সুট্টরর চু গিয়ুননা পোইন্ট ২৩৪.৫তা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদলনা জিওরজিয়াগী সুট্টর লিজি কিলাদজেনা পোইন্ট ২১৩.৬তা ফংখি।

জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী সুট্টর অভিটনিয়া পাটিল, দেবানসি রানা অমসুং নেহা মথংশিংনা ১৩, ৩১ অমসুং ৫০ শুবা পোজিসন তাহৌখি।

## হায়দরবাদ ওপনগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ মায়থিহৌরে

*হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ০৫ঃ*

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথপু ইন্দোনেসিয়াগী চিকো ঔরা ৱারদোয়োনা মায়থিবা পীখ্রে।

ৱার্ল্ড নম্বর ২৩ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথপু ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী ৱারদোয়োনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৩-২১, ২২-২০, ২১-১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী সিরিল বর্মনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কে বালাজিবু ২১-১৭, ২১-১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী সৌরব বর্মনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী য়ুন গিয়ু লিবু ২১-১২, ২২-২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী গুরু সাই দত্তনা ইজরেলগী জিলবরমেন মিসাবু ২২-১১, ২১-১৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী মিথুন মঞ্জুনাথপু ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মালেসিয়াগী জু ভেন সুংনা ২১-১৩, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাসপু সিঙ্গাপোরগী জিয়া মিন য়িওনা ২১-১৩, ২১-১১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হোং কোংগী জেয় জুৱান দেংনা ইন্দিয়াগী শ্রেয়ান্সি পরদেসিবু ২১-১৬, ২১-১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীনা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কে শ্রী কৃষ্ণ প্রিয়ানা সিমরন সিংহবু ১২-২১, ২১-১৫, ২১-১৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপকী কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

SAFF SUZUKI CUP 2018



*সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ্তা ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা শান্নখিবা মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

*ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৫ঃ*

বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এসএএফএফ) কপ ২০১৮ দা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

চথরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ অসিদা লৈবাক ৭ না গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা শান্নরবা মতুং গ্রুপশিংদগী মকোক থোংবা টিম ২ /২ না সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অহানবা মেটচ অদুদা হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংদা অহেনবা প্রেসর পীদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবদি শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা পীখিদে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী টিম অদুদা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা হেন্না শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচকী এক্সপরিয়েন্স লৈননবা টিম অসিগী কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা শীনখিবনি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা আসিক কুরুনিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শ্রী লঙ্কাবু ১-০দা মাঙজিল থাখি। আসিক কুরুনিয়ানা ঙসি শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদা চনখিবা পাঞ্জল অদু মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ইন্টরনেসনেল গোল ওইখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শ্রী লঙ্কানা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই লালিয়ানজ্বালা ছাংটেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা শ্রী লঙ্কাবু ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা ফারুক চৌধুরিনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট মনভির সিংহনা নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল হেন্না মাঙজিল থারমগদবা তাঞ্জা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৫ রোমগী মতম অদুদা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ অসিগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা মালদিপ্সকা থা অসিগী ৯ দা শান্নরগনি।

## রাফেল নদাল অমসুং সেরেনা ৱিলিয়মস নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, বোপানা অমসুং ভেসেলিন ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

US OPEN



*য়ুএস ওপনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্পেনগী নদাল (ওই) অমদি য়ুএসকী সেরেনা*

*নিউ য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৫ঃ*

য়ু এস কি সিটি নিউ য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্পেনগী রফাল নদাল অমসুং য়ু এস এগী সেরিনা ৱিলিয়মস নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গস কাংলুপতা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ইন্দিয়াগী রোহন ভোপনা অমসুং ফ্রাঞ্চকি রোজর ভেসেলিন ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ওষ্টিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ০-৬, ৬-৪, ৭-৫, ৬-৭(৪-৭), ৭-৬(৭-৫)তা থোইরম্বনি।

নিংশিংবা য়াই দোমিনিক থিয়েম চহি অসিদা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকি ফাইনেলদা হৌজিক হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইবিরা স্পেনগী রফাল নদালনা মায়থিবা পীরম্বনি।

রাফেল নদালনা সেমি ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোত্রোগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদনা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোত্রোনা য়ু এস এগী জেন ইস্নরবু থোইখ্রে। জোন মার্টিন দেল পোত্রোনা ১১শুবা সিদেদ ওইরিবা জোন ইস্নরবু ৬-৭(৫-৭), ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪), ৬-২দা থোইখিবনি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকি অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ১৭শুবা সিদেদ য়ু এসকি সেরিনা ৱিলিয়মস অমসুং ১৯শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিজা সেভাষ্টোভা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মতম শাংনা ৱাল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা সিদেদ য়ু এস কি সেরেনা ৱিলিয়মসনা নিপানশুবা সিদেদ জেক রিপব্লিককি কেরোলিনা প্লিসকোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-৩দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৯শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিজা সেভাসটোভানা অহুমশুবা সিদেদ য়ু এস কি স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ষ্টেট সেটতা ৬-২, ৬-৩দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চংলকপনি।

নুপাগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মঙাশুবা সিদেদ কলম্বিয়াগী সেভাষ্টিয়ান কাবাল অমসুং রোবার্ট ফারানা ১৫শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রাঞ্চকি রোজর বেসেলিনবু ষ্টেট সেটতা ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপাগী দবলসকি ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা তরেৎশুবা সিদেদ পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ৱ্রাজিলগী মারসেলো মেলোনা য়ু এস কি পেয়র ওষ্টিন রাজিকেক অমসুং টেনিস সেন্দগ্রেন্দবু ৬-৪, ৬-২দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অনিশুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রাঞ্চকি কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনা তরুকশুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিককি লুসি রাদেকা অমসুং রুসিয়াগী একাটেরিনা মকারোভাবু ৭-৬ (৭-৫), ৬-২দা মায়থিবা পীরম্লগা কাংলুপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী দবলসকি অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৩শুবা সিদেদ পেয়র ওষ্টেয়লিয়াগী এসলি বার্টি অমসুং য়ু এসকি কোকো বানদিৱেগিনা স্লোভেনিয়াগী দালিলা জাকুপোবিস অমসুং রুসিয়াগী ইরিনা খ্রোমাচেভাবু ৬-২, ৬-৩দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## ইন্দিয়াগী ভান্ত্রি অমসুং সরন সর্ভিয়াগা শান্নগদবা দেবিস কপ টাইদা য়াওররোই

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা টেন্নিস শান্নরোই য়ুকি ভান্ত্রি অমসুং এসিয়ান গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট দিভিজ সরন দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফতা সর্ভিয়াগা শান্নগদৌরিবা টাই অসিদা শোকপনা মরম ওইরগা য়াওররোই।

য়ুকি ভান্ত্রি হৌজিক চথরিবা য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ফ্রেঞ্চকী শান্নরোই পিয়েরি হুগেস হর্বর্টকা শান্নবদা খুউ শোকখিবদগী দেবিস কপ টাই অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই দিভিজ সরনসু হন্দক্তা লোইশিনখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রোহন বোপানাগা পেয়র ওইদুনা শান্নবদা দবলসকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। ফাইনেল মেটচ অদুদা সরনগী পাম্বোম শোকখিবনা মহাক হৌজিক-হৌজিক য়ুএসএদা লায়েংলিবনি।

ভান্ত্রিগী মহুৎ সাকেট মাইনেদিনা অদুগা সরনগী মহুৎ শ্রিরাম বালাজিনা শিল্লগনি। ইন্দিয়া অমসুং সর্ভিয়ানা শান্নগদৌরিবা সেভিস কপ টাই অসি থা অসিগী ১৪ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।